# পূক্নিং ৱাখলগী লায়না অমসুং দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রাম

– ডা. সোরাম মনিকান্ত –
প্রসিদেন্ট, ইন্দিয়ন সাইকিয়াট্রিক সোসাইটি, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ
dr.smanikanta@gmail.com



অপূনবা মীশিংগী চাদা ৬-৭ ফাওবদি ৱাখল লায়না অমা নৎত্রগা অমদি নাবা থেংনৈ। মসিনা মরম ওইদুনা শুবা নোম্বা, শেন্থোক লম্বী, মহৈ-মশীন তম্বা নৎত্রগা নোংমগী থবক থৌরম কয়াদা চাওনা অকায়বা থোকহল্লি। মপূং ফানা থবক তৌবা ঙমহন্দে। ঐখোয়গী পুন্সি মহিংদা শীংনবা অমা ওইহল্লি। মরেক মহাউ থোক্লা হিংবা পুন্সি হায়বদু ওইদে। মখল মখা কয়াগী লায়না লায়ওংশিংগী মনুংদা ৱাখল লায়না খক্তনা চাদা ১৫গী চাংদা অৱা পোৎলুম ওইহল্লি। অসুম্নদি ওইরবসু ৱাখল লায়না নারবা অপূনবা মীশিংগী চাদা ৭০-৯০দি অচুম্বা লায়েং পথাপ ফংবা ঙমদনা লৈরি। মসিগী মরম কয়ামরুম লৈবা য়াই। ৱাখল লায়না লাইওংগী মরমদা খঙবা ৱাৎপা, খঙলবসু খুন্নাইগী মীনোক কিবদগী লোৎশিন্দুনা থম্বা লায়েংলবসু ফবা ঙম্লরোই খনবা, কদায়দা কনাদা লায়েংগদগে খঙদবা, ৱাখল লায়নাগী লায়েংফম লৈতবা, লৈরবসু চৎথোক চৎশিনগী খুদোংচাদবা মায়োক্লবা, মেন্টেল হেল্থ প্রোফেসনেলশিংগী মশীং ৱাৎপা অমসুং মহৌশাগী লায়েং পথাপ শীজিন্নদুনা লায়েংবা অসিনচিংবা কয়া অসি পনবা য়াই। মসিগুম্বা খুদোংচাদবা কয়া অসি য়েংলুরগা কুমজা ১৯৮২দা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের, গর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা নেসনল মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রাম হৌদোকখি। মসিগী মরু ওইবা পান্দমদি :-

১) ৱাখল লায়না লায়েংবগী খুদোংচাদবা মরু ওইনা চৎথোক চৎশিনগী খুদোং চাবা ৱাৎপা, মশাগী শেন্থোক লৈজদবা, লায়েংফম লৈতবদগী লায়েংদনা লৈরিবা কয়া অদু কোক্লবা কম্ম্যুনিতি লেভেলদা অনা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহনবা।

২) হেল্থক্যের সর্ভিস দেলিভরি সিষ্টমদা মেন্টেল হেল্থকী নোলেজ হাপচিন্দুনা মেন্টেল হেল্থক্যের সর্ভিস ফংহনবা।

৩) ৱাখল লায়নাগী মরমদা মমুৎ তানা খঙহন্দুনা খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীওই খুদিংনা মতম চানা লায়েংনবা হোৎনবা, সোসল ষ্টিগমা অমসুং দিসক্রিমিনেসন হন্থহনবা।

মথক্কী পান্দম অসি ফংনবা হোৎনবদা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল য়ৌনা চঙশিনবা মথৌ তারকই। মরম অসিনা নেসনল মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রাম কুমজা ১৯৯৬তগী পায়খৎপা হৌখি। মসিগী মরু ওইবা পান্দমদি -

১) ঙল্লিখৈদা ৱাখল লায়নাগী লাইওংশিং খঙদোকপা অমসুং মতম চানা কম্ম্যুনিতি লেভেলদা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহনবা।

২) হেল্থক্যের প্রোভাইদরশিংদা মেন্টেল হেল্থকী ট্রেনিং পীবা অমসুং মসিগী নোলেজ অসিমক শীজিন্নদুনা ৱাখল লায়নাগী লাইওং খঙদোকপা অমসুং লায়েং ফংহনবা নৎত্রগা অখন্নবা লায়েংগীদমক মতম চানা রিফর তৌদুনা অচুম্বা লায়েং পীনবা হোৎনবা।

৩) মীয়াম্বু ৱাখল লায়নাগী মরমদা মমুৎ তানা খঙহনবা, কম্ম্যুনিতি অদুদা লৈরিবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন কয়া পূন্না শরুক য়ামিন্নদুনা থবক তৌমিন্নবা।

মথক্কী ৱাফম অসিমক ঐখোয়গী লমদম অসিদা য়াম্লমক তঙাইফদ্রে। ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগা য়েংনবদা লমদম অসিদা ডাক্টর/নর্স মশীং অপূনবা মীশিংগা য়েংনবদা হেন্দাক্লা মরাং কায়না লৈ। অদুবু মেন্টেল হেল্থ প্রোফেসনেলশিংগী মশীংদি য়াম্লা ৱাৎলি। মীওই লাখ অনী খুদিংগী সাইকিয়াট্রিষ্ট অমমমগী চাং লৈবা থেংনৈ। অসিদসু নত্তনা অখন্নবা ৱাখল লায়নাগী লায়েংফম মেন্টেল হোস্পিটাল অমা ফাওবা লৈতে। ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনবদা লমদম অসিগী মীওইশিংদনা ৱাখল লায়না নাবগী চাং হেল্লি। কুমজা ২০১৫-১৬তা চথখিবা নেসনল মেন্টেল হেল্থ সর্ভে রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মণিপুরগী ৱাখল লায়না নাবগী চাং (লাইফ টাইম প্রিভেলেন্স) অসি ১৪ ওইরি। মসি অতৈ ষ্টেটশিংদগী প্রিভেলেন্স রেটতগী হেল্লবনি। লমদম অসিগী নহাশিংদা য়ু শীজিন্নবগী চাং য়াম্না ৱাংই। অসিদসু নত্তনা হেরোইন, টোবাকো অমসুং ময়াই কাবা চিঞ্জাক কয়া মরাং কায়না ফংলি অমসুং শীজিন্নরি। মীওই মঙা খুদিংগী মীওই অমদি দিপ্রেসন হায়রিবা ৱাখল পীকথবগী লায়না অসিনা নারি। মসিনা মরম ওইদুনা মশা মথন্তা শিবগী (সুইসাইদ) চাং ৱাংই। নুপীশিং অমসুং নৌরিবা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা ময়াই কাবা পোৎশক শীজিন্নবগী মশীং অসুম অসুম হেনগৎলক্লি। থোক্লিবা, ওইরিবা ৱাখল লায়নাগী লাইওংশিং অসি কোভিদ লায়না মনুং অসিদা অমুক্কা হেন্না থেংনরি। কোভিদ লায়চৎ লোইখ্রবসু ৱাখল লায়নাগী লাইওং অসিদি কোভিদ লাইচৎ অসিনা পীবা খুদোল অমগুম লৈহৌরগনি। য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টরনা য়ুনিয়ন বডজেট ২০২২-২৩ খন্নবদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদি পেন্দমিক অসিনা ঐখোয় পূম্নমক্কী পূক্নিং পোথাহন্দ্রে অমসুং মেন্টেল হেল্থ প্রোব্লেম কয়া থোকহল্লি। মরম অসিনা মেন্টেল হেল্থ ফগৎনবা বডজেটতা শেনফম হেন্না থাদবা মতম ওইরে। ঐখোয়গী লমদম মণিপুর অসিদসু হেল্থ সেক্টরদা লৈঙাক্লা কোভিদ লাইচৎ অসিবু মপূং ফানা থেংননবা হোৎনবদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া শেমগৎলি। হন্দক্তসু ক্যামগৈদা ফমুং ২০০ লৈবা কোভিদ হোস্পিটাল অমা ওনরেবল প্রাইম মিনিষ্টর শ্রী নরেন্দ্র মোদিনা শঙ্গারল্লে। ককচীংদসু ফমুং ১০০ লৈবা কোভিদ হোস্পিটাল অমা লিংখৎনবা হোৎনরি। ফমুং ১০০ লৈবা কেন্সর হোস্পিটাল অমসু শানবা উরেপ তমখ্রে। অদুবু মেন্টেল হেল্থ ফগৎনবা চাওখৎ থৌরাংদি পায়খৎপা উদে। মতাং অসিদা "There is no Health without Mental Health" হায়বা ৱাফমসি নীংশিংহন্নীংই।

মেন্টেল হেল্থ প্রোফেসনেল মশীং য়ামদবা অদুগা মেন্টেল হেল্থ প্রোব্লেমদি য়াম্না লৈবা লমদম অসিদা ৱাখল লায়না লায়েংগী খুদোংচাবা কম্ম্যুনিতি লেভেলদা ফংহন্নবা হোৎনবগী পান্দম অমা ওইনা মণিপুরদসু কুমজা ২০০০দা ৱারেং অসি ইজরিবা ইশামক্লা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা অহানবা ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রাম পায়খৎপা হৌখি। মসিগী মরু ওইবা থৌদাংদি :

১) জৱাহরলাল নেহরু হোস্পিটাল হৌজিক্লা জেনিমস হোস্পিটাল অসিদা ফমুং তরা থমদুনা ও পি দি লায়েংগা লোয়ননা হোস্পিটালদা মিং চন্দুনা মখা তানা লায়েংবা মথৌ তাবা অনাবশিং লায়েংবা হৌবা।

২) দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা সী ঐচ সী/পি ঐচ সীশিংদা মেন্টেল হেল্থ ক্লিনিক অমমম হাংবা।

৩) শজিৱা সেন্ট্রেল জেল, খাবৈশোইদা চয়োলগী ওইনা ভিজিট চৎপা অমসুং জেল ইনমেটশিংগী মেন্টেল হেল্থ ষ্টেটস ফগৎহনবা।

৪) মথৌ তাবা হীদাক লাংথক লেম্না ফংহনবা।

৫) ডাক্টর/নর্স/পরামেদিক্সশিংদা মেন্টেল হেল্থ ট্রেনিং পীবা। মসিগীদমক মেন্টেল হেল্থ রিসোর্স পুল অমা শেম্বা।

৬) ৱাখল লায়নাগী লাইওং খঙদোক্তুনা কম্ম্যুনিতি অদুমক্তদা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহনবা।

৭) ৱাখল লায়নাগী মরমদা মীয়াম মমুৎ তানা খঙহন্নবা থবক থৌরম পায়খৎপা। অনাবশিংবু তাথী তাওইনা তৌবা, ইন্থোকপীবা, লান্না থাজবা হন্থহনবা অমসুং লায়েংনবা হোৎনবা।

৮) লাইফ স্কিলস বেজ এদ্যুকেসন পীনবা হোৎনবা।

মসিদা মরু ওইনা খঙহন্নীংলিবসি - Self Awareness, Coping with Emotions/ Stress, Effective Comminications, Friendship formation, Conflict resolution, Peer pressure resistance, Critical and Creative thinking, Problem solving and Decission making অসিনচিংবা অসিনি।

ৱাখল লায়না মরু ওইনা Anxiety Neurosis, Tension Headache, Psychosomatic Disorder, Eating Disorder, Conduct Disorder, Substance use Disorder, Panic Attack, মিহুল চোংবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, ৱান্থবা, গ্যান মাঙবা, Pseudoseizure/Seizure হায়রিবা লাইওংশিং অসি জেনরেল দ্যুটি মেদিকেল ওফিসরশিংনা অহানবা থেংনবা ঙাক্তনি। মসিগীদমক্তা মখল মখা কয়াগী লায়েং অমদি লেবোরেটরি ইনভেষ্টিগেসন কয়া চথৈ। স্লিপিং পিল্লস, প্যেন কিল্লর অমসুং ভিটামিন ইঞ্জেক্সন কয়া পীদুনা লায়েংই। বাইওলোজিকেল টেষ্ট কয়া তৌবদসু থোইনা অশোয়বা থেংনদবদগী মখা তানা লায়েংনবা স্পেসিএলিষ্ট নৎত্রগা মল্টি স্পেসিএলিটি হোস্পিটালদা রিফর তৌই। হার্টকী অনাবা ওইরবোই নীংদুনা মখল মখা কয়াগী Sophisticated Investigation কয়া তৌই। ন্যুরোলোজিকেল টেষ্ট মরু ওইনা সী টি স্কেন, এম আর আই লৌবদসু অচৌবা শেনফম অমা চাদিং তৌই। অদুবু নুংঙাইফম খঙদে। য়েংবা য়াবা য়েংলে। মমৈথংদা মীগী খূৎ য়াওব্রা চিংনরক্লে। মাইবা, মাইবী তান্নবা হৌরকই। খরা অমনা তৌফম খঙদবদগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবা হৌরকই। ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা লাইচুরবা হায়বদু ওইখিবসু য়াওদবা নত্তে। অদুবু হায়রিবশিং অসি মেন্টেল হেল্থ নোলেজ লৈবা মেদিকেল ওফিসর অমদা মতম চানা লায়েংদুনা অমদি মতম মাঙহন্দনা মীওই কয়াগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্দুনা ক্বালিটি লৈবা পুন্সি অমা লেনবা ঙমহল্লি। মরম অসিনা লমদম অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা মপূং ফাবা দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রাম পায়খৎপগী তঙাইফদবা অদু লৈরি।

মতাং অসিদা খন্ননীংঙাই ওইরিবা ৱাফম অমনা মখা তানা লায়েং মথৌ তাবা অনাবশিং রিফর তৌনবা মতিক চাবা মেন্টেল হোস্পিটাল নৎত্রগা অখন্নবা বিহেবিয়র মোদিফিকেসন সেন্টর অমা লমদম অসিদা লৈরব্রা। মতম কুইনা নাদুনা লৈরক্লবা য়ূমদা লায়েংবদা খুদোংচাদবা অনাবশিং, ময়াই কাবা পোৎশক শীজিন্নবা লাইচুরবা মীওইশিং, নুপী এদিক্টশিং, কন্দক্ট দিসওর্দর লৈবা অঙাংশিং অমসুং নহাশিং, অখন্নবা কাউন্সেল্লিং পীবা মথৌ তাবা মীওইশিং অসি লায়েংনবা মতিক চাবা হোস্পিটাল লৈতে। কুমজা ২০০১গী ওগষ্ট ৬তা টামিল নাদুগী Ervadi হায়বা মফম অদুদা লৈবা Mental Asylum অমদা পুন্দুনা থম্বা মীওই কুন্নিপাল মৈনা চাক্তুনা শিখিবা থৌদোক্তা থাখিবা পি আই এল কেস অমগা মরী লৈননা ওনরেবল সুপ্রিম কোর্টনা কুমজা ২০০৫গী ফেব্রুৱারী ৫দা তাখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না ষ্টেট খুদিংমক্তা মেন্টেল হোস্পিটাল অমমম লিংখৎকদবনি। মণিপুরদসু Nineteen Eignties গী মতমদা ৱাখল লায়নানা নারবা মীওই কয়াবু লায়েংফম লৈতবা অমদি তৌফম খঙদবদগী Petty Act অমগীদমক সেন্ট্রেল জেল শজিৱাদা থমজিনবা কোঙ্গাইনি। অদুবু মসি সুপ্রিম কোর্টকী দিরেক্টিভ অমগী মখাদা জুদিসিএল কষ্টদিদা থম্বা থিংখ্রে। মসিগা মরী লৈননা নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননা ষ্টেট খুদিংমক্তা মেন্টেল্লি নারবা মীওইশিংগী য়াইফনবগীদমক করি থবক লৌখৎসিগে হায়না হংখিবসু লৈখ্রে। ইমিদিএট, শোর্ট টর্ম অমদি লোঙ টর্ম প্লান খায়দোক্তুনা এক্সন টেকন রিপোর্ট পীরক্লবসু খঙহনবা লৈখ্রে। লৈঙাক্লা লমদম অসিগী মীওইশিংবু নাদ য়েক্তনা মশা মউ ফনা থম্নবগী পান্দমদা পায়খৎলিবা থবক থৌরম কয়া অসিগা লোয়ননা হেন্না মপূং ফাবা তুংগী অফবা খুন্নাই অমগীদমক অথুবদা মেন্টেল হোস্পিটাল অমা লিংবা মথৌ তারি। ●

# হীদাক কানরবা পাম্বীশিং ঃ চন্দ্রমুখি # ৩২৮

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

মালেমগী অয়াম্বা মফমশিংদা য়ূমগী হৈকোল লৈকোলশিং অমদি গল্লাদা য়াম্না পাম্না থান্নবা লৈশিংগী মনুংদা চন্দ্রমুখি হায়রিবা পাম্বী অসিসু অমনি। চন্দ্রমুখি পাম্বীগী লৈশিং অসি পাক শন্না শাৎপদা পূক্নিং হুবগী মথক্তা ঐখোয়না লৈনরিবা য়ূমগী কাশিং অমসুং ওফিসনচিংবশিং অসিদা লৈরিবা অমোৎপা নুংশিৎশিং অদুবু শেংদোকহনবসু ঙম্মী। চন্দ্রমুখি পাম্বী মখল অয়াম্বা কা মনুংগী নুংশিৎ শেংদোকহনবা ঙম্লবসু অকক্লবা স্পিসিস খরখক্তনা থোইদোক হেন্দোকপা মগুনশিং চেল্লি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা গার্দেন মম (Garden mum) নৎত্রগা পোট মম (Pot mum) হায়না খঙনবা চন্দ্রমুখি মখলগী পাম্বী অসিনা অমোৎপা নুংশিৎ শেংদোকপদা খ্বাইদগী মগুন লৈ হায়না নেসনল এরোনোটিক্স এন্দ স্পেস এদমিনিষ্ট্রেসন (এন এ এস এ) না পাউদল্লি।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না মালেম অসিদা চন্দ্রমুখি পাম্বী মখল ৩০০০ লোম লৈ। চন্দ্রমুখি পাম্বীশিং অসিগী লৈগী মচু অসি মঙ্গ্রা মচু, ইবুংঙো মচু, অঙৌবা, হঙ্গাম মপাল মচু, অঙাংবা, কোমলা মচু, হিগোক মচু অমসুং ময়ান-তুয়ান তৌবা মচুশিংনি। চন্দ্রমুখি পাম্বীশিংগী মনুংদা গার্দেন মম হায়না কৌনরিবা চন্দ্রমুখি মখল অসিনা মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না পাম্না অমদি পাক শন্না থান্নবা মখলনি হায়না লৌনৈ। গার্দেন মম হায়রিবা চন্দ্রমুখি পাম্বী অসিগী লৈশিং অসি য়াম্না থোনবা অমদি লৈ য়াম্না অমদি মতম শাংনা শাৎকনবা মরম্না গার্দেন অমসুং গল্লাদা য়াম্না পাম্না থান্নবনি। গার্দেন মম হায়রিবা চন্দ্রমুখি পাম্বী অসি চাইনিজদা পিনয়িন (Pinyin), কোরিয়াদা হানজা (Hanja) নৎত্রগা হঙ্গুলীন (Hangulin), জপানিজদা কাঞ্জি (Kanji), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা ক্রাইসান্থেমম মোরিফোলিয়ম (Chrysanthemum morifolium Ronat) নৎত্রগা ক্রাইসান্থেমম স্তিপুলেসিয়ম (Chrysanthemum stipulaceum W. Wight) নৎত্রগা দেনদ্রানথেমা গ্রেন্দিফ্লোরম (Dendranthema grandiflorum (Ranat.) Kitam. নৎত্রগা দেনদ্রানথেমা মোরিফোলিয়ম (Dendranthema morifolium (Ranat Tzvelev) হায়না কৌই অমসুং এসতরেসী (Asteraceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা মরু ওইবা পাম্বী খরদি : নুমিৎলৈ - সনফ্লৱর (হেলিয়ান্থুস এনস), সনারৈ - মেরিগোল্ড (তাজেতিস ইরেক্তা), উচিশুম্বল পাম্বী - ট্রেলিং ইক্লিপ্তা (ইক্লিপ্তা এলবা), তেরাপাইবী পাম্বী (গাইনুরা কুসিম্বুৱা) অসিনচিংবনি। ঙসি ঐখোয়না উরিবা অমদি থেংনরিবা চন্দ্রমুখি পাম্বীশিং অসি অয়াম্বনা হাইব্রিদশিংনি।

চাইনিজগী অরিবা ৱাখল্লোন্দা চন্দ্রমুখি পাম্বী, উরৈশিং (Orchids), চাইনিজ প্লম (Chinese plum) নৎত্রগা জপানিজ এপ্রিকোতস (Japanese Apricots) অমসুং ৱা (Bamboos) শিং অসি ফোর নোবল ৱান্স (Four noble ones) নৎত্রগা ফোর জেন্টলমেন (Four gentlemen) হায়না শীংথানৈ। পাম্বী মরি অসি মীওইবদা ধর্ম্ম লৈবা, শা-লান্দা থৌবা, পূক্নিং ৱাখল ফবা, লাইবক ফবা, পুন্সি নুংশাংবা অমসুং নুংঙাই-য়াইফবা অসি লেপ্পা ঙম্মী হায়না থাজনৈ। পাউদমশিংগী মতুংইন্না চন্দ্রমুখি পাম্বী অসি চহী ৩০০০গী মমাঙদগী থাদুনা লাক্লে হায়না থাজনৈ। ক্রাইসান্থেমম ইন্দিকম (Chrysanthemum indicum L.), হিন্দিদা গুলদৌবি (Guldaubi) হায়রিবা চন্দ্রমুখি পাম্বী অসিনা ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী হৌবা অমদি থান্নবা মখলনি।

গার্দেন মম হায়রিবা চন্দ্রমুখি পাম্বী অসি চহী কয়ামরুম পুন্সিবা, ফুট ১দগী ৩ ফাওবা ৱাংবা, মসা-মরেং য়াম্না লোঙবা মতম পূম্নমক্তা শংদুনতা লৈবা খরা পাকথরপ তৌনা হৌবা পাম্বী অমনি। পাম্বী অসিগী মনাশিং অদু য়াম্না লুনা ময়াৎ-ময়াৎ য়াৎলি অমসুং হেক পায়বদা মতুং চোল্লপ তৌনা মোন মোন লাউই। নাসাগী পাউদমগী মতুংইন্না গার্দেন মম হায়রিবা চন্দ্রমুখি পাম্বী অসি অমোৎপা নুংশিৎ খ্বাইদগী হেন্না শেংদোকহনবা ঙম্বা মরম্না এয়র প্যুরিফায়িং চেম্পিয়ন (Air purifying champion) হায়না শীংথানৈ। গার্দেন মম চন্দ্রমুখি পাম্বী অসি কা মনুংদা লৈবা নুংশিৎতা য়াওবা অমোৎপা মচাকশিং মরু ওইনা এমোনিয়া, বেঞ্জিন, ফোর্মেলদিহাইদ অমসুং জাইলিন অসি ফজনা চুপশিনবা ঙম্মী হায়দুনা পাউদল্লি। মথক্তা পনখ্রিবা নুংশিৎতা য়াওবা অমোৎপা মচাকশিং অসি ঐখোয়না কা মনুংদা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং মরু ওইনা রেফ্রিজরেটর, মাইক্রোৱেভ, ওবন, রেদিও, টেলিভিজন, হিটর, ইলেক্ট্রিক তারা, স্বিচ বোক্স, প্লাষ্টিক্লা শাবা পোৎচাকশিং, শেংদোক খোৎতোকপদা শীজিন্নরিবা ফিনাইল, সাবন, সর্ফ, কোল-লিক ফেংনবা মহীশিং-য়ূমগী ফক্লাংদা থারিবা মচুশিং, উপু কাংথোলদা তৈরিবা পালিস মহী অসিনচিংবশিংদগী থাদোরকই। ঐখোয়না শেৎলিবা ফি-রোলশিং অমসুং হকচাং মনম নুংশিনবা কাপ্লিবা পর্ফ্যুমশিং অসিদগী থাদোরকপা পোৎশকশিং অসিনসু কা মনুংগী নুংশিৎ শেংহন্দবদা চাউনা থৌদাং লৌরিবনি।

চন্দ্রমুখি পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। পাউদমশিংগী মতুংইন্না চন্দ্রমুখি পাম্বী অসি খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈ মতমদগী হীদাক লাংথক ওইনা শীজিন্নরক্লি। চাইনাদা কুমজা ৬১৮দগী কুমজা ৯০৭তা পানখিবা তাং (Tang) শাগৈ নিংথৌরেলশিং অমসুং কুমজা ৯৬০দগী ১২৭৯ ফাওবদা পানখিবা সোং (Song) নিংথৌরেলশিংগী মতমশিংদা মীওইবনা মশা খিংনা অমদি মপাঙ্গল কন্না হিংনবগীদমক্তা চন্দ্রমুখি পাম্বীগী মপাল অদু ঈশিংদা লোল্লগা মহী অদু থক্লরম্মী হায়বগী পাউদমশিং লৈ। জপানিজ পেগোদা ট্রী (Styphnolobium japonicum (L) Schott.) গী লৈগা চন্দ্রমুখি পাম্বীগী লৈগা চাং মান্ননা য়ানশিন্নরগা লোনবা চা অদু চাং নাইনা পীথকপদা ঈগী খোঙজেল য়াম্না ৱাংবা (High BP) অদু মপূং ফানা হন্থহনবা ঙম্মী হায়দুনা জপান্দদি শীজিন্নৈ। হায়রিবা চা অসিদা চিনি অঙৌবা খরা হাপ্লগা পীথক্লবদি মীওইবগী হকচাংদগী হু অসি লৌথোকপা ঙম্মী হায়নসু পাউদল্লি। ঈগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা, হকচাংগী অরূম্বা হন্থহনবা, পুন্সি নুংশাংনা অমদি থুনা অহল ওইশিল্লকপদগী থিংনবা হীদাক ওইনা চন্দ্রমুখি পাম্বীগী লৈ অসি পাক শন্না শীজিন্নৈ। চন্দ্রমুখি পাম্বীগী লৈ অসি কোক চিকপা, কোক ঙাওবা, মীৎ নাপু কাবা, খৌনাও নাবা অমসুং লোক থুংবদসু হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। য়াম্না পূক্নিং চিংশিনবা য়াবা ৱাফম অমদা চন্দ্রমুখি পাম্বীগী লৈগা অতোপ্পা পাম্বী খরগা য়ানশিন্নরগা শেম্বা হীদাক অদু নুংপাদা নাবা প্রোসটেট কেন্সর (Prostate cancer) অসি লায়েংনরক্লি। মরু ওইনা অঙৌবা অমসুং হঙ্গাম মপাল মচুগী লৈ শাৎপা চন্দ্রমুখি পাম্বীগী লৈশিং অদু চাইনা অমসুং জপান্দা চা লোন্দুনা থক্লে। কোরিয়াদদি চন্দ্রমুখি পাম্বী অমসুং চাক্কা য়ান্নদুনা শেম্বা গুখৱাজু (Gukhwaju) হায়রিবা য়ু মখল অসি য়াম্না পাম্না থক্লে। চাইনাদদি চন্দ্রমুখি পাম্বীগী অনৌবা মনা অদু ফূৎলগা নৎত্রগা ঙাল্লগা চানৈ। থোইদোক্লা চেকশিনবীগদবদি গার্দেন মম হায়রিবা চন্দ্রমুখি পাম্বীগী মনা অদুদা হুগী চাং খরা য়াওবনা অঙাংশিংদদি পীজবীরোইদবনি হায়না চেকশিন ৱা থম্লক্লি। ●

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SUGNU**

**Ref. Mutation Case No. 26 of 2022**

App :- Leishangthem Ongbi Anita Devi, W/o. Late Krisnachandra Singh of Singjamei Kshetri Leikai

-Vs-

Opp :- Leishangthem Krisnachandra Singh, S/o. (L) Churamani Singh of Singjamei Wangma Kshetri Leikai

**ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE**

Dated, 11/02/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 87- Nungoo পাট্টা নং 181 দাগ নং. 251 এরিয়া .895 একর চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sugnu

HL-P/1573/12

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING**

**Ref: Mutation Case No. 90/AS&SO/KCG 31-01-2022**

Mayanglambam Manihal Devi W/o (L) Kesho Singh of Kakching Super Market. - Applicant

-Vs-

Mayanglambam Kesho Sing S/o Angangjao Singh of -do- - O.P.

**ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE**

The 10th Feb. 2022

Under Section-46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা ককচীং তহশিল খুল নং ৬৮-হিয়াংলম পাট্টা নং ৫৮৫ অনৌবা দাগ নং ১৬২২, ১৬২৩, এরিয়া ৩.৯০, ১৫.২৯ = ১৯.১৯ হেক্টর তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার ময়াংলম্বম কেসো সিংহ পী: অঙাংজাও সিংহ সাং ককচিং খুল্লেন অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কক্থৎপীরগা পিটিস্নরগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা তাওথবী লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপ্তি লৌররোই কেস মখা চথরগনি।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer,**
**Kakching**

HL-P/1746/12

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVERNMENT OF MANIPUR**

**Ref: Mutation Case No. 113/AS&SO/TBL, Dt. 05-02-2022**

Habea, D/o. (L) Adbul Samad of Kiyam Leitanpok

-Vs-

(Late) Abdul Samad, S/o. Abdul Kayum of Leitanpok

**ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE**

11-02-2022

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল লিলোং খুল নং ২২-কিয়াম সিফাই পাট্টা নং ৪৩, ৬৭২ (অরিবা) ১৮ (অনৌবা) দাগ নং ১৩৬৬ এরিয়া .৬২০০ হেক্তর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে, মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারি মচানুপী হবিয়াদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচেদা হাপ্লকপা নুমীৎতগী ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি নৎত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি, মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

**Sd/- M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/1745/12

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVERNMENT OF MANIPUR**

**Ref: Mutation Case No. 112/AS&SO/TBL, Dt. 05-02-2022**

Md. Samsurjaman, S/o. (L) Md. Abdul Samad of Kiyam Leitanpok

-Vs-

(Late) Moulubi Abdul Samad Mia, S/o. Tayai of Kiyam Leitanpok

**ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE**

11-02-2022

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল লিলোং খুল নং ২২-কিয়াম সিফাই পাট্টা নং ৬৭৫, ২২১, ৩৭ (অরিবা) ৪৯৮ (অনৌবা) দাগ নং ১২০৮ এরিয়া .৮৪০০ হেক্তর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে, মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারি মচা মুহ: সমসুরজামানদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচেদা হাপ্লকপা নুমীৎতগী ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি নৎত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি, মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

**Sd/- M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/1745/12

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।